**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 08-04-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা মীখল নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি ওইনা পাঙথোকবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারশিংনা দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎলি।

২) অফবা, অচুম্বা মীখল অমা ওইহন্নবা মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল)না মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম লেপ্তুনা চথরি।

অমসুং

৩) লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিগীদমক তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংনা মাগী মাগী মীরেপশিংগীদমক লৈজবী থাদুনা ভোৎ খোমরি।

**------**

ইলেক্সন(এল)ঃ থা অসিগী ১৯ দা ভোৎ থাদনগদবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি ওইনা পাঙথোকবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারশিংনা দরকার লৈবা থবকশিং লেপ্তুনা লৌখৎলি। লাক্লিবা লোক সভা মীখলগীদমক সিনিয়র সিতিজেন্স অমদি হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিং পোস্তেল বেলোটকী খুত্থাংদা অহানবা রাউন্দগী ভোট থাদবসু ঙরাংদগী হৌনখ্রে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনসু চহি ৮৫ গী মথক্তা লৈবা সেনিয়র সিতিজনশিং অমসুং হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগী য়ুম য়ুমদা চত্তুনা পোষ্টেল বেল্লোটকী খুত্থাংদা ভোৎ থাদহনবগী থবক ঙরাংদগী হৌখ্রে। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা য়ুম য়ুম চংদুনা ভোৎ থাদহনবগী থবক অসি থা অসিগী ১৪ ফাওবা চত্থগনি। মসিদা

ৱাংহৌবশিংনা থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬ তা থাদহনগনি। ভোৎ থাদহনবগী থবক অসিদা পোল্লিং টিম ১৬ শিজিন্নরি। মসিদা পোল্লিং ওফিসিয়েল অনি, ভিদিওগ্রাফর অমা, মাইক্রো ওবজার্ভর অমসুং সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং য়াওরি। বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা এবসেন্তি ভোতরগী অপুনবা মশিং লিশিং ১,০৫৬ নি। মসিগী মনুংদা সেনিয়র সিতিজনগী ৬০৩ অমসুং হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগীনা ৪৫৩ নি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনসু সেনিয়র সিতিজনশিং অমসুং হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগী য়ুমদা চত্তুনা পোষ্টেল বেল্লোটতা ভোৎ থাদহনবগী থবক ঙরাংদগী হৌখ্রে।

মরক অসিদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা মীখলদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অনিসুবা রাউন্দগী ত্রেনিং ঙরাং লোইশিনখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা পুন্না পোল্লিং পার্সোনেল লিশিং ১,২০৪ শরুক য়াখি।

কাংপোকপী (এল)ঃ কাংপোকপীগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার মহেশ চৌধরিনা হায়রি- জিলা অসিগী ওইনা ইলেক্ট্রোনিক ভোতিং মেছিন (ই.ভি.এম) অমসুং ভি.ভি.পেদ মেছিনশিং কম্মিসন তৌবগী থবক্তা পুং ২৪ চুপনা সি.সি.টি.ভি কোভরেজ তৌগনি অমসুং রাজনিতি দলশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াহনগনি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী চৌধরিনা হায়- ই.ভি.এম অমসুং ভি.ভি.পেদশিং থমগদৌরিবা ষ্ট্রোংরুমশিং নিংথিনা ঙাক শেন্ননবা থবক লৌখৎলে। মেছিনশিং অসি কম্মিসন তৌবগী থবক জিলা অসিগী সেনিয়র ইলেক্সন ওফিসারশিং অমদি ই.সি.আইদগী লাকপা ইঞ্জিনিয়ারশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্লি। জিলা অসিগী ওইনা সেনিয়র সিতিজনশিং অমসুং হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগী য়ুম য়ুমদা চত্তুনা পোষ্টেল বেল্লোটকী খুত্থাংদা ভোৎ থাদহনবগী থবক অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ হুমি মরিনি ৱাংলিঁৈদগা হৌননবা থৌরাং তৌরি হায়নসু শ্রী চৌধরিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

লাইরিক (এল)ঃ  দ রিক্লুস ইন সোলিট্যুদ স্পিক্স হায়বা লাইরিক অমা ঙরাং মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফোংখ্রে। লাইরিক অসি অকাশবানি ইম্ফালদা সেলেক্সন গ্রেদ নিউজ রিদর ওইনা লৈরম্বা মংসাতাবম লালগোপাল সিংহনা ইবা ওতোবাইওগ্রাফি লাইরিকনি।

অশাংবা কম্যুনিকেসন্না পাব্লিসর ওইদুনা ফোংবা লাইরিক অদু রিলিজ তৌবগী থৌরমদা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট লোংজম জোয়চন্দ্র, থবক্তগী পোত্থারবা আই.এ.এস- কাংজম রাধাকুমার অমসুং নম্বোল এল. শানোই কলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার, ডাঃ লাইখুরাম রামেশ্বর সিংহ শরুক য়াখি।

ময়োল (এল)ঃ  মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) না লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম-ঐখোয়গী অনৌবা লাংওনগী ভোট হায়বা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা কেম্পেনশিং পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই লাইখুরেম্বী খুভম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইরমসিফাই ময়াই লৈকাই অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী লংদুম মখা লৈকাইদা মীয়ামগী মীওই মীফমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসি অচুম্বা অফবা মীখল অমা ওইহন্নবা মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নখি। মীফমশিং অদুদা ভোৎ থাদনবগীদমক শেল লৌদবা অমসুং চাকচা হৈজানবা তৌদবনচিংবা ৱারেপ কয়া লৌখি।

কাউন্সিল (এল)ঃ  ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা হায়রি- এস.টি নত্তনা য়েলহৌমী মীতৈবু কঞ্জনবগী লম্বী অমত্তা লৈতে। লুপ অসিনা শিন্দুনা ঙরাং হিয়াংলম ময়াই লৈকাইদা পাঙথোকপা মীতৈবু সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবা খোঙজংগী মীয়ামগী ওইবা মীফম অমদা শরুক য়াখিবশিংনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মীতৈবু এস.টিগী লিষ্টতা চলহন্নবা মরী লৈনবা চেরোলশিং অথুবা মতমদা রাজ্য সরকারনা থাননবা অমসুং ইং ২০২৬ কী দিলিমিতেসন মমাংদা মীতৈবু সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা শোইদনা চলহন্নবা থবক লৌখৎনবসু

মীফম অদুনা তকশিনখি।

অমরোমদা, মীতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন্না রাজ্য সরকারনা মীতৈবু এস.টিগী লিষ্টতা চলহন্নবগী রিকমেন্দেসন থাদ্রিবা ফাওবা মীখলদা শরুক য়ারোই হায়না মমাংদা লোখিবা ৱারেপ ঙসিসু হোংবা লৈত্রি হায়রি। মীতৈবু এস.টি লিষ্টতা চলহনবদা শৌগৎপা মীরেপশিংদা মীয়ামা ভোৎ থাদবীনবা লুপ অসিনা আপীলসু তৌরক্লি।

এআর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈমরামদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা ইন্দিয়ান আর্মিনা মেদিকেল কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ১৫০ রোম লেমা লায়েংখি হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনসু চান্দেল জিলাগী লিৱা খুল্লেন ভিলেজদা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ১২৫ রোম লেমা লায়েংখি হায়রি।

ওকপা (এল)ঃ মমাং থাগী ২৬ তগী ৩১ ফাওবা জম্মুদা পাঙথোকখিবা ২৩ শুবা সবজ্নিয়র নেসনেল ৱুসু চেম্পিয়নসিপতা লুপা তকমান লৌরকপী হেন্থোই সনা য়েংখোমবু ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং ককচিং পাজি লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা মহাকা তাও লু সিঙ্গল গ্রুপ-সি- গুনশু কেটগোরিদা লুপাগী তকমান লৌরকখিবনি।

পিএম ঃ লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংনা মাগী মাগী মীরেপশিং মায় পাকবগীদমক অকনবা মওংদা ভোৎ খোন্দবগী থবক চথরি।

বি.জে.পিগী লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নোংচুপ বেঙ্গলগী জমুরদা ঙরাং পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিম অমদা শরুক য়াখি। মদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসি লৈবাক অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনবা অমসুং মরা চেৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবগীদমক কেন্দ্রদা মপাঙ্গল কনবা

অমসুং মরা চেৎপা সরকার অমা থমবগীদমক্তনি। সরকার অসিনা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎপদগী লৈবাক অসি মালেমদা অচৌবা ফিদা অমা কনবা ঙমলে। তেরোরিজম লৈতবা লৈবাক অমা ওইহনবা হায়বসি শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিনা পামজরম্বা মঙলান অমনি হায়রদুনা কাশ্মীরদগী আর্তিকল ৩৭০ লৌথোক্কুনা লমদম অদু ঙসিদি তেরোরিজম লৈতবা মফম অমা ওইহনবা ঙমলে হায়নসু শ্রী মোদিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংনসু রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা মখোয়গী ষ্টার কেম্পেন্নরশিং থাদুনা ঙমজবী থাক্তা ভোৎ খোমরি।

ধনখর ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা নহা ওইরিবা প্রোফেসনেলশিংদা ভারতপু ২০৪৭ ফাওবদা চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইনা শেমগৎনবা হোৎনবদা শরুক য়ানবা হায়রি। বিহারগী বোধগয়াদা ঙরাং আই.আই.এমগী ৬ শুবা কনভোকেসন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ধনখরনা হায়- ঙসিগী নহা ওইরিবা মহৈরোইশিং অসি ভারতকী তুংগী লমজিং মৈরানি। লৈবাক অসিগী চাওখৎপগী ৱারীদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাপচিন্নবা হোৎননবসু মহাকা নহা ওইরিবা মহৈরোইশিংদা আপীল তৌখি।

মদুগী মমাংদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা এম.বি.এগী মহৈরোইশিংদা দিগ্রি য়েন্থোকখি। থৌরমদুদা বিহারগী রাজ্যপাল রাজেন্দ্র বিশ্বনাথ আরলেকর, আই.আই.এম বোধগয়াগী উদোয় কোতাক অমসুং দাইরেক্তর বিনিতা সাহাইসু শরুক য়াখি। শ্রী ধনখরনা মহাক্কী লোয়নবীগা লোয়ননা মালেমদা মমিং লৈরবা বোদগয়াগী মহা বোধি লাইশঙদা লাই খুরুমখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

লোক সভা মীখলগী ভোথ থাদনবগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা রাজনীতি দলশিংগী মরক্তা অমগা অমগা হুন্নবগী চাং ৱাংকৎলকপগী পাউ অমসুং

মালেমগী হকশেলগী নুমিৎ পাঙথোকখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক্তা- কংগ্রেসকী মীখলগী মেনিফেষ্টো সি.এম. বিরেন্না শিংনখ্রে হায়বা পাউসিগা লোয়ননা তোঙানবা লৈঙাক তাল্লিবশিংগা কংগ্রেসকী মেনিফেষ্টোগা করিদা খেন্নরিবগে হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মেনিফেষ্টোদা য়াওরিবা ৱারোল বি.জে.পিনা পাবা হৈত্রে হায়না কংগ্রেসনা ফোংদোকখিবা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চনবা নত্তনা মীতৈ ফুরুপ কঞ্জনবা অতোপ্পা লম্বী লৈরোই হায়না ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবগী ৱাকৎলবসু তাবিদ্রে, ই.সি.আইদা ৱাকৎলগনি হায়না এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- বি.জে.পিনা এন.আর.সি চৎনহন্নবা হোৎনরি, কংগ্রেসনদি মসিগী মায়োক্তা লৈরি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপেস মণিপুরী ইদিসনদা- ঙমখৈ, অপুনবা শক্তম কন্নবা হোৎনগনি হায়না বি.জে.পিগী মীরেপ থৌনাউজম বসন্তকুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পোকফমদা- হকচাং শাজেলগীদমক নোংমদা মতম খরদা ওইরবসু কাইথোকপীয়ু হায়না ডাঃ লেনিননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- রাজ্য অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন চাদা ৫০ দি খুদোংথিনিঙাই ওইরি হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ মণিপুরদা লাকপগী চপ চাবা মতম লৈপত্রি হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- কেন্দিদেট ৫ অমসুং পোলিতিকেল পার্তিশিংনা মীতৈগী এস.টি খোঙজং শৌগৎকনি হায়রক্লে, বি.জে.পিগীদি করিমত্তা হায়রক্ত্রি হায়না এম.এম.টি.য়ুনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- মণিপুরদা পাঙথোক্কদবা লোক সভা মীখলগীদমক রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ভোতর লিশিং ২৪,৫০০ ভোৎ থাদনবা স্পিসিয়েল এরেঞ্জমেন্ট তৌরে হায়না ই.সি.আইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- এবসেন্তি ভোতরশিং পোষ্টেল বেল্লোটকী খুত্থাংদা য়ুম য়ুমদা চংদুনা ভোৎ থাদনহনবা হৌরে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

হিলস হোর্নিবিল এক্সপ্রেসতা- লোক সভা মীখলগী মাংওহননা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ মণিপুরদা লাক্লবা য়াই হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবগী মতাংদা সি.ই.ও মণিপুরনা থবক লৌখৎতবগী মায়োক্তা কংগ্রেসনা ই.সি.আইদা ৱাকৎগদৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- ষ্টেট হেলথ সোসাইতি মণিপুর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি তমেংলোং খুৎশমদুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা লেমা মীৎ লায়েংবগী কেম্প পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------